# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (বোসেম) না লৌবা কুমশি চহিগী হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসন ঙসিদগী হৌরগনি। পুন্নবা মহৈরোই লিশিং ৩৭,০৫২ না পরিক্ষা থাগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চথরি।

অমসুং

৩) ভারত অমসুং কটার লৈবাক অনিনা হকশেলগী লমদা তেংবাং পীননবা হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দা অমদি কটারগী অমিরগা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

------

পরিক্ষা (এল) ঃ বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (বোসেম) না লৌবা কুমশি চহিগী হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসন ঙসিদগী হৌরগনি। পুন্নবা মহৈরোই লিশিং ৩৭,০৫২ না পরিক্ষা থাগনি। মসিগী মনুংদা নুপা মহৈরোই লিশিং ১৮,৪৬০ অদুগা নুপী মহৈরোইনা লিশিং ১৮,৫৯২ নি। পরিক্ষা অসিগীদমক পুন্না সেন্তর ১৫৫ হাংদোক্লে। মসিগী মনুংদা চীংগী জিলাদা সেন্তর ৬২ য়াওরি।

মরক অসিদা, মহৈরোইশিংনা পুকিং ইংনা পাখৎপা য়াওদনা পরিক্ষা থাবা য়ানবা কনাগুম্বা অমত্তনা বন্দ ব্লোকেট য়াওনা অয়েৎ-অপন পীবীদনবা বোর্ডকী চেয়রমেন অখাম জোয়কুমারনা আপিল তৌরি।

শ্রী জোয়কুমারনা হায়-পরিক্ষা অসি মাই পাকা পাঙথোকবা নোদেল ওফিসর ১০ হাপখিবগা লোয়ননা মহৈরোই লুপ অমদি ওজাশিং য়াওনা শেন্দ্রা ইন্সপেক্সন টিমশিং শেম শাদুনা লৈরে। বোর্ডকী এগজামিনেসন কম্মিতিগী মেম্বরশিংগী মরক্তগী স্পিসিএল ওবজর্বরশিং হাপ্তুনা পরিক্ষা সেন্তরশিং কুপা য়েংশিনগনি হায়রি।

পরিক্ষা অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মহৈরোই ৫৩৫ য়াওরি। সরকারগী স্কুল ৩০৬ তগী মহৈরোই লিশিং ৮,৪৬৮ না পরিক্ষা থাগনি। অদুগা এদেদ স্কুল ৬০ দগী মহৈরোই লিশিং ১,২১০ য়াওরি।

চীংগী জিলাশিংদসু পরিক্ষা অসি মাই পাকা পাঙথোকবা তোঙান তোঙানবা পরিক্ষা সেন্টরশিংদা শেম শারে।

অমরোমদা, পরিক্ষা অসিদা শরুক য়াগদবা মহৈরোই ৩১ মখোয়না তন্নিবা স্কুল অদুনা ফোর্ম ফিল্লঅপ তৌরমদবদগী পরিক্ষা অসি থাবা য়ারোইদবগী ফিভমদা লৈরি। পেন্নদ্রবা মমা মপাশিংনা স্কুল অদুদা ঙরাং নুমিদাং থোমজিনদুনা ইরাং হৌখ্রে। অদুবু থৌদোক অসিদা বোসেমগী মাইকৈদগী অশোইবা অরানবা লৈখিদে হায়না খঙহল্লক্লি।

মহৈরোইশিংনা নিংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা পরিক্ষা থাবা ঙমনবা জিলা খুদিংমক্কী পরিক্ষা সেন্তরশিংগী অকোইবদা অথিংবা থমলে। হিরম অসিগা মরী লৈননা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে। বিষ্ণুপুর জিলাগী পরিক্ষা সেন্তর ১৫ গী কিলোমিতর অনিনা কোনবা মফমশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- পরিক্ষা সেন্তরশিং অসিগী অকোইবদা কনাগুম্বশিংনা শোকপা পনবা খ্ৎশু খুৎলায় পুবা য়ারোই। মরম চাদনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবদসু অথিংবা থমলে হায়রি। পরিক্ষা অসিগীদমক মাইকৈ কয়াদগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চত্থরি।

পুলিসকী পাডনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা য়ুরেম্বম অৱাং লৈকাইদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গা মরী লৈনবা মীওই অমা ফাবা ঙমলে। মীওই অদুদগী নোংমৈ মরু মঙা য়াওবা মেগজিনগা লোয়নবা সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভ এম.এমগী পিষ্টোল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভ এম.এমগী নোংমৈ মরু ১০ য়াওবা অঙৌবা মচুগী বোক্স অমা, পিষ্টোল হোষ্টর অমা, লোয়নননা আধার কার্দ অমা ফংবা ঙমখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ওক্সোংবুংগী তিদিম লম্বীদা লৈবা মহিন্দ্র সো রুম মনাক্তগী প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমসু ফাবা ঙমলে। হায়রিবা মীওই অসি মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উরিপোক খুমন্থেম লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রে)গী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা হত্তা গোলাপতিদা লৈবা পাব্লিক হোস্পিতাল মনাক্তগী আর.পি.এফ পি.এল.এগী মীওই অমা ফাবা ঙমলে হায়রি। মীওই অসিসু মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা হায়রি। মঙোনদগী চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল ফোন অনি ফংবা ঙমখি।

এআর(এল)ঃ মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিবু হেন্না মপুং ফানা য়োকখৎনবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা মসিগী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা থাঙ্গাপাৎ মপানদা ইন্তরনেসনেল থ্রি মাদরস আর্ট গেল্লেরি অমা নৌনা শাখিবা অদু ঙরাং শঙ্গাখ্রে। গেল্লেরি অদুদা ম্যুজিয়ম অমা য়াওরি। মসিনা মীয়ামা গেল্লেরি অসিদগী মণিপুরগী নাৎকী শক্তম অমদি চৎন কাংলোন কয়া খঙহনবা ঙম্লগনি হায়রি। গেল্লেরি অসি উনা হক্তুনা শাবা মরমনা অয়েংবশিংগী পুকিং চিংশিন্নিঙাই ওইবা অমনি হায়রি। গেল্লেরি অসি শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শিন্নবা ঙম্বা অসিনা অসাম রাইফলসনা মণিপুরগী নাৎ অমসুং অতৈ কলা সংস্কৃতিগী পোৎলমশিং য়োকখৎতুনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বসি উৎপা ঙমলে হায়রি।

চান্দেল (এল) ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেল অমসুং নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর ক্লাইমেত চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথনা পুন্না শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল ডে ফোর ক্লিন ইয়ার ফোর ব্লু স্কাইগী থৌরম চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে। ইনভেষ্ট ইন ক্লিন ইয়ার নাউ হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা চান্দেলগী এস.দি.ও এন. প্রিতমনা অথোইবা মীথুং ওইখি। দিষ্ট্রিক্ট ট্যবরকুলোসিস ওফিসার ডাঃ তোঙেন রোয়েল অমসুং জিলা অসিগী মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ এস.সিমিলাং আইমোলনা অখন্নবা মীথুং অমদি থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

ধনখর ঃ হকশেল অমসুং য়াইফ যুম্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা কটারগী অমির শৈখ তমিম বিন হামদকা নিউ দিল্লিদা ঙরাং উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা হকশেলগী ওইবা তেংবাং পীনবগী ব্রাফম কয়া খন্নখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা লৈবাক অসিদা হকশেলগী খুদোংচাবা কয়া মীয়ামদা লাইনা ফংহল্লিবা অদুগী মতাংদসু শ্রী নদ্দানা কটারগী অমিরদা মরিক চুমা পাউদমখি। কটার অমসুং ভারত লৈবাক অনিনা হকশেলগী তেংবাং পীনবতা নত্তনা হিদাক লাংথক শাবগী লমদসু তেংবাং পীননবগী ব্রাফম খন্নখি। কটারদা লৈবা ভারত মচাশিংবু নিংথিনা শৌগৎপীবগীদমক শ্রী নদ্দানা শৈখ তামিমবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনালৈবাক্কী অহাবা হেদলাইন অসি স্কুলনা থৌশাদবদগী মহৈরোই ৩১ ঐচ.এস.এল.সি একজাম থাবা ফংলোইদৌরি হায়বা হেদলাইন অসিনি। হেদলাইন অসিগী মখাদা অঙাংশিংগী কেরিয়র হাৎপনি তেকচাক পুমমক স্কুল ওথোরিতিনা পুগদবনি হায়বা দেসামগী ব্রাফম সব-হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

প্রসিদেন্টস রুল কুইথ-শাংথখিদৌরি, গভর্নর ওল্ড সেক্রেটরিয়েটতা ফম্লগনি, মিনিষ্টর অনিদা এলোট তৌরম্বা ওফিসশিং খোপচিনদুনা গভর্নরগী ফম

ফম শেন্বা হৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইননি। হেদলাইন অসিগী মখাদা সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহসু সেক্রেটরিয়েটতা ফম্লগনি, সেক্রেটরিয়েটকী ষ্টাফশিং আইন্দেন্তি কার্দ য়াল্লগা চংথোক চংশিন তৌহনবা হৌখ্রে হায়বসিনা সব-হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

মরম চাদনা মৈ তোইনা মুৎপা, লোদ সেদ্দিং লৈহনবদা একজাম মায়োক রিবা মহৈরোইশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে হায়বা হেদলাইন অসি ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিসুবা হেদলাইননি।

৯ ফাবগী মনুংদা কে.সি.পি (কে.কে. ঙানবা)গী চেয়ারমেন য়াওরি হায়বা হেদলাইন অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইননি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- মিজোরম, চুরাচান্দপুরদা ড্রগশিং ফাগৎখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পোকফমদনা য়ু.কে.এন.এগী ফাইনান্স সেক্রেটরি অমসুং কে.সি.পি গ্রুপ অমগী চেয়ারমেন য়াওনা লালহৌবা কয়া ফাগৎখ্রে হায়না ফোংলক্লি।

পিপল এল্লায়েন্স পিছ এন্দ প্রোগ্রেস মণিপুরনা ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিনহন্নবা গভর্নরদা তকশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা ফোংবা থেংনরে।

লৈঙাকা মথৌ তৌদবদগী খুল ঙাকপশিং থোক্লকখিবনি, লৈঙাক্কী মথক্তা লান হৌনবা থোরকখিবা নত্তে হায়বা হেদলাইন অসিনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইননি।

আইন্না য়াদবা মওংদা এল.পি.জি সিলিন্দর য়োনবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা সেনাপতি এস.পিনা ওর্দর থোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইননি।

মণিপুরগী ত্রাইবেল বোদি অমনা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎকনি তৌরম্বা অদু য়ৈথোকখ্রে হায়না গানফিউ মেলদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলক্লি।

-----